# বিধান সভাগী মীফম ঙসিদগী হৌরগনি

## অয়ুক্তা স্পিকর খল্লবা মতুংদা নুংথিলদা গভর্নর এড্রেস পীগনি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ*** হন্দ পাকথোকখিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল লোয়খ্রবা মতুং নৌনা শেল্লিবা কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার অসিগী  অহানবা এসেমব্লি সেসন হয়েংদগী চীংমৈরোংদা লৈবা এসেমব্লি হোলদা হৌরগনি

হয়েংদগী হৌনা চথগদৌরিবা মণিপুর এসেমব্লিগী মীফম অসিগী য়েংলগা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটকী অকোয়বদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

মণিপুর এসেমব্লিগী অহানবা সেসন মণিপুরগী গভর্নর শ্রীগুরুবচন জগৎনা নুংথিল পুং ২ দা  এড্রেস পীদুনা হৌদোক্কনি। গভর্নরগী এড্রেস পীদ্রিঙৈগী মমাং অয়ুক পুং ১০ দা মণিপুর এসেমব্লিগী স্পিকর খনবগী থবক পাঙথোক্কনি।

এসেমব্লি সেসন অসিদা চথগদৌরিবা ব্যুজিনেসশিং হয়েং ফমগদৌরিবা ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফমদা লেপকনি। মীফম অসি চৎলিবা থা অসিগী ২২ ফাওবা চথগনি হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ১৪ দা মণিপুর গভর্নরনা মণিপুর এসেমব্লিগী সেসন কৌবগী চেরোল থোকখিবগা লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ২ দগী ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী অহানবা মীফমসি ফম্না হৌগদৌরিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা বিধান সভাগী সেক্রেটরি ব্রাই ইন্দিরা দেবীনা হৌখিবা মার্চ ১৪দা মসিগী নোটিফিকেসন অমা থোকপা লৈখ্রে।

বিধান সভাগী মীফম অসি হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মণিপুর এসেমব্লিগী অনৌবা স্পিকর খনবগী থবক পায়খৎকনি। স্পিকর প্রোটেমনা এসেমব্লিগী স্পিকর খনবগী থবক লোয়রবা মতুং  ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম অমসু পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা মীফম অসি লোয়রবা মতুং নুংথিল পুং ২দা মণিপুরগী গভর্নরনা মহাক্কী ৱারোল থমগনি।

হয়েং ফমগদৌরিবা ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী ওইবা মীফমনা চথগদৌরিবা সেসন অসিগী তোঙান তোঙানবা ব্যুজিনেসশিং লেপথোক্কনি হায়না এসেমব্লিগী সেক্রেটরিয়েটতগী ফংবা পাউ  অমনা হায়রি। ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম ফম্বদা স্পিকর য়াওদবা য়াদবনা স্পিকর খল্লবা মতুংদা ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী অনৌবা স্পিকর খন্নবগীদমক ঙরাং মীরেপ চে পীশিনবগী অরোয়বা নুমিৎ ফাওবদা খুদ্রাকপম কেন্দ্রদগী কারকপা হান্নগী দিপ্যুটি স্পিকর থোকচোম লোকেশ্বর নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা স্পিকর ওইবগী মীরেপ চে পীশিন্নরকখিদ্রবনি।